ꯏꯔꯩꯕꯥꯛ
ইরৈবাক

২১ শুবা চহি ১০ শুবা মশিং | ইম্ফাল, জনুৱারি ৩১, ২০২৩ ফাইরেন ১০ নি পানবা লৈপাকপোকপা | www.ireibak.in | লুপা ২.০০

কিঃ মিঃ ৩৯৭০ শাংবা ভারত জোরো যাত্রা লোইশিনখ্রে যাত্রা অসি কংগ্রেসকী মায়পাকপনি — মঙ্গা ৱাইফে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ঃ ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কম্মিতি (এ আই সি সি) গী লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা হৌখিবা চহি ২০২২ গী সেপ্তেম্বর ৭ তগী হৌখিবা ভারত জোরো যাত্রা ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী শ্রীনগরদা লোইশিনখ্রে। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফীরাল চিংখৎখি। মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিতিনা শিন্দুনা ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবন্দা মচু অহুমগী ফীরাল চিংখত্তুনা লোইশিনবগী থৌরম পাংথোকখ্রে।

এম পি সি সি না শিন্দুনা ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবন্দা পাংথোকখিবা থৌরম অদুদা এম পি সি সি গী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট হান্নগী এম এল এ মঙ্গা ৱাইফেনা হায়খিবদা শ্রীনগরদা পাংথোকপা লোইশিনবগী থৌরম অসিদা এম পি সি সি গী প্রসিদেন্ট কৈশাম মেঘচন্দ্র এম এল এ, কংগ্রেস লেজিস্লেচর পার্টিগী লুচিংবা হান্নগী চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবি, এ আই সি সি গী মেম্বর গাইখাঙম শরুক য়ারি। ভারত জোরো যাত্রা হৌখিবা সেপ্তেম্বর ৭ তগী রাহুল গান্ধিনা লুচিংদুনা কৈন্যাকুমারিদগী খোঙশানখিবনি।

ভারত জোরো যাত্রা অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১২, য়ুনিয়ন তেরিটোরি ২ কোনশিল্লি। পুন্না কিলোমিটর ৩৯৭০ চৎখি। খোঙচৎ অসিদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না শরুক য়াদুনা মপুং ফাবা হায়বদু ওইখি। ঙসি লোইশিনবগী থৌরম অসি ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাংথোকখি। মনিপুরগী ওইনা এম পি সি সি গী তোঙান তোঙানবা ব্লোকশিংদা পাংথোকখি। ঙসি অসি মহাত্মা গান্ধিগী ৭৫ তরক শুবা দেথ এনিভর্সরি ওইবনিনা পুন্না পাংথোকখি হায়না ফোংদোকখি।

হৈরোক ব্লোক কংগ্রেস কম্মিতিনা শিন্দুনা ঙসি কম্মিতি অসিগী ওফিস্তা ভারত জোরো যাত্রা লোইশিনবগী থৌরম পাংথোকখ্রে। মমাং চহিগী সেপ্তেম্বর ৭ তগী তামিলনাদুগী কৈন্যাকুমারিদগী খোঙশানবা হৌখিবা ভারত জোরো যাত্রা ঙসি জম্মু এন্দ কাশ্মিরতগী শ্রী নগরদা ওল ইন্দিয়াগী ওইনা লোইশিনবগী থৌরম পাংথোকপা অদুদা হৈরোক ব্লোক কংগ্রেস কম্মিতিনা লোইশিনবগী থৌরম অসি পাংথোকতপনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা হৈরোক ব্লোক কংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ রঞ্জন্না লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফীরাল চিংখত্তুনা নেস্নেল এন্থেম শকখি। শরুক য়াখিথবা পার্টিগী ৱার্করশিংনা মহাত্মা গান্ধিগী মুর্ত্তিদা লৈ কত্তুনা ইকাইখুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা টি ঐচ রঞ্জন্না হায়খিবদা ভারত জোরো যাত্রা হায়বসি ইন্দিয়া পুম্বা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নগদবনি। থা মঙা চুপ্পা খোংনা চৎপদা মীয়ামদগী, তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংদগী পীরকপা সজেসন অমদি মতেং ময়াম অদু অফবা অমনি হায়খি। এ আই সি সি গী লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা লভ এন্দ য়ুনিতি হায়বা পাউজেল পুদুনা যাত্রত্তা অসি চৎখিবনি।

কোন্থৌজম ব্লোক কংগ্রেস কম্মিতিনা শিন্দুনা ঙসি কোন্থৌজম কেন্দ্রগী মনুং চনবা অৱাং জিরিদা ভারত জোরো যাত্রা লোইশিনবগী থৌরম অসি পাংথোকখি। থৌরম অদুদা এম পি সি সি গী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিতিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ঐচ ইবোতোম্বী, কোন্থৌজম ব্লোক কংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট এস ঐচ বাপুয়াইমাত এক্স এম পি থোকচোম মৈন্য, অতৈ লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি। কালেঙ্গাও কবুইনা ইন্দিয়াগী মচু ৩ গী ফীরাল চিংখৎপগা লোইননা মীয়াম্না জাতিগী ঈশৈ শকখি। মহাত্মা গান্ধিগী ফোটোদা মীয়াম্না লৈ কত্তুনা ইকাইখুম্নবা উৎখি হায়রি।

মীওই ২ ফারে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ মনিপুর লৈঙাক্লা চংশিল্লিবা ৱার ওন দ্রগ ২.০ গী মখাদা ঙসিসু কম্বাইন্দ তিমনা কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী সাইখুল সব দিভিজনগী মনুং চনবা এন হাংনোম ভিল্লেজদা একর ২২ রোমদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়াম্থৎখ্রে। পোপি পাম্বী থারম্বা মীওই ২ পুলিসনা ফারগা শগোলমাং পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎখ্রে। ফারবা মীওই ২ অদুদি এল হাংনোম ভিল্লেজগী সেক্রেটরি সৈবোইগিন বাইতে, অমদি ভিল্লেজ অসিগী মেম্বর সোগিনলুন বাইতেনি। ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস, নাব, ফোরেষ্ট, অমদি মরিশুবা এ আর গী অপুনবা কাংবুনা ড্রাইব অদু চথখিবনি।

জি এম হোলদা পাংথোকপা মার্টিয়র্স দে থৌরমদা গভর্নরনা লুচিংদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা

ভি দি এফ প্রেমানন্দগী লংলা লংজিন পুথোক্ত্রবদি ঙসি অহিংদগী খোঙজং চংশিল্লগনি লাউথোকখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ লৈঙাক্কী য়াথং পুদুনা হৌখিবা জনুৱারি ১৬ তা ৱার ওন দ্রগকী পোপি পাম্বী য়াম্থৎপা চৎখিবা ভি দি এফ পার্সোনেল এন প্রেমানন্দা মফম খংদনা মাংখিবদা লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈশিনবদা মীয়াম্না পেন্দদুনা ঙসি থৌবাল ওক্রম লম্পাক্তা মীফম পাংথোক্তুনা জে এ সি অমা শেমখ্রে। জনুৱারি ৩১ হয়েং ফাওবগী মনুংদা মাংখিবা ভি দি এফ কী লংলা লংজিন পুথোক্ত্রবদি নুমিৎ অসিগী অহিং নোংয়াইদগী মখল মখা কয়াগী খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না জে এ সি গী মাইকৈদগী ফোংদোরক্লি।

থা অসিগী ১৬ তা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর এরিয়া ফাইসি ভিল্লেজা লৈঙাক্লা চংশিল্লিবা ৱার ওন দ্রগকীদমক পোপি পাম্বী য়ানবা চৎপদা য়াওখিবা ভি দি এফ পার্সোনেল এন প্রেমানন্দা মফম খংদনা মাংখিবদগী ঙসি ফাওবা থিবা ফংদবদা লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈশিনবা অসি লাইবক থিবনি। মফম খংদনা মাংখিবা প্রেমানন্দ ফংননবা থিবদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা কোইচেন চেন্দুনা লৈরে হায়না মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না পেন্দবা ৱাফম কয়ামরুম ফোংদোকখি।

লৈঙাক্কী থৌদাং পুরগা চৎখিবা লৈঙাক অসিগী মখাদা লৈবা সেক্যুরিতি অমা মাংখিবা নুমিৎ তরানি হেল্লবা ফাওবদা ফোংদোরক্তববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ক্লব অমদি লৈকাইগী মীয়াম্না ঙসি থৌবাল ওক্রম লম্পাক্তা মীফম পাংথোক্লবা মতুংদা জে এ সি শেমখি। মীফম অদুনা লৈঙাক্কী ফোর্স অমা মাংখিবা অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মথক্তা খোঙজং কয়ামরুম চংশিন্নবা ৱারেপ লৌখি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাংখিবা মীওইশিংনা ফোংদোক্লখিবদা প্রেমানন্দা জুৱারি ২০ গী নুমিদাংদা মাংখিবনি। জুৱারি ২২ ফাওবা মহাক্কী মোবাইল ফোন রিং চৎলম্মী। ৱার ওন দ্রগকী লাম্মী অমা মাংলগা লৈঙাক্লা থৌৱা শাদবা হায়বসি লাইবক থিবিন। থিবা খংদনা লৈরিবা প্রেমানন্দবু লৈঙাক্লা থিরি হায়রগা ঙসি ফাওবা করিগী তুমিন্না লৈশিল্লিবনো হায়না পেন্দবা ৱাফম কয়ামরুম ফোংদোক্লখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা অমজুগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ওল মনিপুর ভি দি এফ ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসনগী চিফ এদভাইজর ৱাংখেমচা শ্যামজাইনা হায়খিবদা ৱার ওন দ্রগকী পোপি পাম্বী য়ানবা চৎখিবা য়ুনিফোর্ম শেৎপা সেক্যুরিতি অমা মাংখিবদা অসুক চাওখ্রবা ষ্টেট ফোর্সনা করিগী তুমিন্না লৈগদৌরিবনো? পুলিসকী থৌওং অসি পেন্দে। হিরম অসিগী মতাংদা দি জি পি অমদি এস পি গা ৱারি শান্নরে। চিফ মিনিষ্টরগা ৱারি শান্নরগনি। ৱার ওন দ্রগকী পোপি পাম্বী য়ানবা চৎখিবা অমা মাংবা হায়বসি ষ্টেট লৈঙাক্লা অরৈবা ইকুইপমেন্ট শিজিন্নদুনা থিগদবনি হায়খি।

মীফম লোইরবা মতুংদা পাউমীংগা উনবদা জে এ সি গী কনভেনর ৱাংলেন মৈতৈনা হায়খিবদা পোপি পাম্বী য়ানবা চৎখিবদগী মাংখিবদগী ঙসি ফাওবা থিবা খংদনা লৈরিবা ভি দি এফ পার্সোনেল প্রেমানন্দ হয়েং ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্লা লংলা লংজিন পুথোক্ত্রবদি হয়েং অহীং নোংয়াইদগী মতম কত্তনা মখল মখা কয়াগী অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি। প্রেমানন্দ থিবা খংদ্রে হায়দুনা জনুৱারি ২১ দা দিপার্টমেন্টকী মাইকৈদগী রিপোর্ট পিরকখি। মাংখিবা ভি দি এফ কী লংলা লংজিন পুথোক্ত্রবদি ক্লব, ওর্গনাইজেসন মৈরা পায়বী, এসোসিয়েসন অমদি সিভিল সোসাইটিশিংগা লোইননা খোঙজং চংশিনগনি। ঙসিগী মীফম অদুদা ওল মনিপুর ভি দি এফ ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিং, মৈরা পায়বী, ক্লবকী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

ম্যান্মারগী দিলিগেটশিং ইম্ফালদা থুংলখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা আই জি এ আর সাউথতা হয়েং পাংথোক্কদৌরিবা ১৬ শুবা রিজনেল বোর্দর কম্মিতিগী মীতিংদা শরুক য়ারুগদবা য়ুমথংনরিবা লৈবাক ম্যান্মারগী দিলিগেৎশিং ঙসি ইম্ফালদা থুংলখ্রে। ম্যান্মারগী লাম্মী অমদি অতৈ লুচিংবা কয়া য়াওবা মেম্বর ২০ গী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অদু ঙসি মোরেদা অহানবা ওইনা থুংলখি। মদুগী মতুংদা অখন্নবা হেলিকোপ্তর অনিনা ইম্ফালদা থুংলখিবনি। মখোয়না ইম্ফালদা থুংলবগা কৈশামথোংদা লৈবা আর কে সি এস কী আর্ট গেলরিদা চৎতুনা য়েংশিনখি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তারদুনা ম্যান্মারগী দিলিগেটশিংনা মোরেদা থুংলবগা মোরেদা লৈবা ৫ শুবা অসাম রাইফলসকী কাংবুনা হরাও তয়াম্না ওক্লবা মতুংদা ইম্ফালদা থুংলখিবনি। ম্যান্মারগী দিলিগেট অসিদা সেনিয়ার আর্মি ওফিসার অমসুং পোলিটিকেল দিগ্নিটরিশিংসু শরুক য়ারি। রিজনেল বোর্দর কম্মিতিগী মীতিং অসি মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা হেদ ক্বাটর আই জি এ আর (সাউথ) তা পাংথোক্কনি। মিতিং অসিদা ইন্দো ম্যান্মার ঙমখৈগী মতাংদা চয়েৎনদুনা লৈরিবশিং অমদি ঙমখৈ লান্না আইনগী ৱাংমদা কন্ত্রাবান্দ আইতেমনচিংবা পুথোক পুশিন তৌরিবা অসিগী মতাংদা খন্নরবা য়াই হায়না পাউগী ছোর্স অমনা হায়রি।

লাক্লিবা ফেব্রুৱারিগী ২ ফাওবা চথগদৌরিবা মীতিং অসিদা ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার লৈবাক অনিগী হেন্না অফবা মরি পুরক্লবা ৱাফমশিং খন্নগনি। ম্যান্মারগী দিলিগেটশিং অসিনা ইম্ফালদা লৈরিঙৈ মনুংদা মনিপুরগী পুৱারিগা শাগোন্নরক্লবা কাংলা, অতৈ মফমনচিংবা চৎতুনা য়েংগনি হায়রি। দিলিগেটশিং অসি চীংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা লৈরি। মখোয়না লমদম অসিগী মরুওইবা মফমশিংসু চৎকনি হায়রি।

জে দি য়ু গী এম এল এ শিং ওপোজিসন বেঞ্চতা ফমহনবিয়ু

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ২ দগী ফম্বা হৌগদৌরিবা ১২ শুবা মনিপুর লেজিস্লেটিব এসেমব্লিগী অহুমশুবা মীফম অসিদা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) কী টিকেৎতা মায়পাক্লবা এম এল এ শিং ওপোজিসন বেঞ্চতা ফমহনবিয়ু হায়না জন তা দল (য়ুনাইটেদ) মনিপুরগী প্রসিদেন্ট হান্নগী এম এল এ ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন সিংহনা ঙসি মনিপুর লেজিস্লেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর থৌচোম সৈত্যবর্ত্তদা অইবা চেরোল অমা পিশিন্দুনা ৱাকৎখ্রে হায়রি।

ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন্না স্পিকর সৈত্যবর্ত্তদা পিশিনখিবা চেরোল অদুদা হন্দক পাংথোকখিবা ১২ শুবা মনিপুর লেজিস্লেটিব এসেমব্লি মীখলদা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) কী টিকেৎতা মায়পাক্লবা এম এল এ খরনা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি দা শৌগৎলিবা অসি হন্দোকহন্নবা মনিপুরগী গভর্নরদা অইবা চেরোল অমা মমাং চহি ২০২২ গী সেপ্তেম্বর ১২ দা পার্টিগী মায়কৈদগী পিশিনবা লৈখ্রে। হায়রিবা চেরোল অদু মনিপুর লেজিস্লেটিব এসেমব্লিগী লিদর ওফ দি হাউসসু ওইরিবা মনিপুরগী চিফ মিনিষ্টর এন বিরেনদসু পিশিনখ্রবনি।

লোয়ননা জনতা দলগী এম এল এ খরনা লৈঙাক অসিদা শৌগৎলে হায়রিবসি চৎনহন্দনবা খংহনখ্রবনি। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীফম অসিদা দল অসিগী এম এল এ শিং ওপোজিসন বেঞ্চতা ফমহনবিয়ু হায়না স্পিকরগী পুক্লিং চিংশিনখি। পনবা য়াবদি জনতা দল য়ুনাইটেদকী এম এল এ ৫ গী মনুংদা এম এল এ ৪ বি জে পি দা চোংশিনখ্রবনি। লিলোং কেন্দ্রগী অব্দুল নসির দল অসিগী এম এল এ ওইনা লৈরিবনি।

মার্টিয়র্স দে থৌরম পাংথোকখ্রে ত্রাফিক জাম ওইখি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস ৩০ ঃ মনিপুর লৈঙাক্লা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিয়েল হোলদা মার্টিয়র্স দেগী থৌরম পাংথোকখ্রে। থৌরম পাংথোকপা অদুদা ইম্ফালগী মরু ওইবা লম্বীশিংদা ত্রাফিক জাম থোক্তুনা মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন্দা য়াম্না চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লখি।

ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাংথোকখিবা থৌরম অমদা মনিপুরগী গভর্নর লা গনেসন মনিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টরশিং, এম এল এ শিং সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়ানা শরুক য়াখি। মহাত্মা গান্ধিগী মুর্ত্তিদা মীয়াম্না লৈশু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। মদুগী মতুংদা মিনিট ১ সাইরেন খোংখি। সাইরেন খোংলিঙৈ মতম অদুদা তিল্লিবা মীয়াম্না তুমিন্না লেপ্পগা লোয়ননা মতুংদা অমুক মিনিট ১ সাইরেন খোংদুনা মার্টিয়র্স দেগী থৌরম অদু লোইশিনখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মনিপুরগী গভর্নর লা গনেসন্না পাউমীশিংদা ফোংদোকখিবদা ইন্দিয়াবু বৃটিশকী মখুত্তগী নিংখা তম্নবা হোৎনবদা জাতিগী মপা হায়না খংনরিবা মহাত্মা গান্ধিনা লৌখিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাওই। বৃটিশকী মায়োক্তা হৌখিবা ইহৌ অদুদা লৌখিবা থৌদাং অদু ঙসিগী মীরোল অসিনা য়াম্নমক তমজনিংঙাই ওই হায়না ফোংদোকখি। মহাত্মা গান্ধি ১৯৪৮ কী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা নাথুরাম গোদসেনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। মহাত্মা গান্ধিনা লৈখিদবা নুমিৎ অসিবু ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তা মার্টিয়র্স দে থৌরম হায়না পাংথোত্তু না লাক্লি। লৈখিদ্রবা মহাত্মা গান্ধিনা হিংসা য়াওদনা চংশিনখিবা খোঙজং অদুবু ঙসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না নিংশিংদুনা লাক্লি হায়নসু ফোংদোকখি।

অমরোমদা ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাংথোকখিবা মার্টিয়র্স দে থৌরম মনুংদা ইম্ফালগী মরু ওইবা লম্বীশিং অতোপ্পা লম্বীরোমদা দ্রাইভর্সন তৌখিবা অসিদা ত্রাফিক জাম থোকখি। ইম্ফাল সহরগী অকোয়বদা লৈবা লম্বীশিং অয়ুক পুং ১০ অদুৱাইদগী পুলিসনা লম্বী থৈদোক থৈজিন তৌবা অসিদা লম্বী খরদি হেন্না লম্বী চিনবগী অৱাবা অদু মীয়াম্না মায়োক্লখি হায়রি। মরু ওইনা ইম্ফাল বজার মনুংগী অকোইবদা লৈরিবা লম্বীশিংদা দাইভর্সন পিবা অসিনা মীয়ামদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনখি। বজার মনুংগী অকোইবগী লম্বীশিং পার্কিং ওইশিনবা অসিনা হেন্না খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লহনবনি হায়না ফোংদোক্লরি।

ম্যান্মার মচা ৪ ফাগৎখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ ঙসি অয়ুক মোরে পুলিস, কম্মান্দো অমদি স্পিসিয়েল কম্মান্দোগী অপুনবা টিম অমনা ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর পরিংদা লৈবা টি মুননোমজাং ভিল্লেজা খুন্দাদুনা লৈরম্বা ম্যান্মার মচা অহুম অদুগা মোরেগী নেপালি বষ্টিতা লৈরম্বা ম্যান্মার মচা অমা য়াওনা পুন্না মীওই ৪ ফাগৎখ্রে। ফারবা ম্যান্মার মচা ৪ অদু মখা তাবা আইনগী ওইবা থবকশিং লৌখৎনবা ইম্ফালদা পুখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা জনুৱারি ২৮ দা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোরে সব দিভিজনগী মনুং চনবা ইন্দো ম্যান্মার ঙমখৈদা ম্যান্মাররোমদগী ইন্দিয়াদা আইন কায়না চংশিন্দুনা খুন্দারম্বা ম্যান্মার মচা ৮০ তেংনৌপলগী দি সি অমদি এস পি য়াওনা চংশিন্দুনা ফাগৎপা লৈখ্রবনি। ফাগৎলবা ম্যান্মার মচা ৮০ অদুগী মনুংদা অঙাং ৯ য়াওরি। অঙাংশিং অদু জুবেনাইল হোমদা থম্লগা অতৈ মীওইশিং অদুনা ফোরেন্নর এক্টকী মখাদা খাবৈসোইদা লৈবা সজিৱা সেন্ত্রেল জেলদা থম্লি।

হন্দক্তা ৫ শুবা অসাম রাইফলসকী কাংবুনা ইন্দো ম্যান্মার ঙমখৈদগী আইন কায়না ইন্দিয়া রোমদা চংশিল্লকপা রোহিংগ্যা অমসু ফাগৎপা লৈখ্রবনি। ফারবা রোহিংগ্যা অদুনা ইন্দিয়াগী শাশিন্নবা অধার কার্দনচিংবা পায়রমখি।

এন্টি লেপ্রোসি দে থৌরম পাংথোকখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ জনুৱারি ৩০ দগী লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ১৩ ফাওবা লৈবাক শিনবা থুংনা চথগদৌরিবা অসপাস লেপ্রোসি এৱারনেস কম এন্টি লেপ্রোসি ফোর্থ নাইটগী শরুক অমা ওইনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সঙ্গাই য়ুম্ফম প্রাইমারি হেলথ সেন্টরদসু এন্টি লেপ্রোসি দেগী পালন থৌরম পাংথোকপগা লোয়ননা লায়না অসি মরু ফংনা মুখৎনবগী মতাংদা খন্ন নৈনখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইটি থৌবাল অমসুং নেস্নেল লেপ্রোসি ইরাদিকেসন প্রোগ্রাম থৌবাল অনিনা পুন্না শিন্দুনা পাংথোকখিবা থৌরম অদুদা চিফ মেদিকেল ওফিসার থৌবাল দাক্তর ৱাই নোকুলনা অথোইবা মীথুং, সঙ্গাইয়ুমফম পার্ট ৱান জি পি গী প্রধান এম দি জাকিরনা থৌরম মপু, অদুগা সঙ্গাইয়ুম্ফম প্রাইমারি হেলথ সেন্টরগী সেনিয়ার মেদিকেল ওফিসার দাক্তর সি ঐচ চন্দ্রমনি অমসুং দি এল ও থৌবাল দাক্তর এম নোমিতা দেবীনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লৈখিদ্রবা ফাদর ওফ নেসন মহাত্মা গান্ধিগী ফোতোদা অথোইবা মীথুংনা লুচিংদুনা মীয়াম্না লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা লেপ্রোসিনা নারবা মীওইশিংদা অচম্বা খুদোলশিং পিদুনা পুক্লিং থৌগৎখি। থৌরম অদুদা চিফ মেদিকেল ওফিসার দাক্তর ৱাই নোকুলনা হায়খিবদা ঙসিগী পালন থৌরম অসি মরু ওইনা লৈখিদ্রবা ফাদর ওফ নেসন মহাত্মা গান্ধিনা মতম অমদা লেপ্রোসি লায়না অসি লৈবাক অসিদা শন্দোক্তুনা য়াম্না কিনবা তুক্কৎচবা শোক্ল শম্নবদা মতম অদুদা লেপ্রোসি পক্লকপা য়াই হায়না মীয়াম্না হঙ্গোইনা লৌনরম্মী। অদুবু মহাত্মা গান্ধিনা লেপ্রোসিনা নারবা মীওইশিংবু পায়দুনা হঙ্গোইবা তুক্কচবা লৈতনা মখোয়গীদমক হোৎনখি। মহাত্মা গান্ধিনা হোৎনখিবশিং অদুগী তৌবিমল খংবা উৎপা ওইনা মহাক্লা লৈখিদ্রবা নুমিৎ জনুৱারি ৩০ অসিবু চহি খুদিংগী ৱার্ল্ড লেপ্রোসি দে হায়না থৌরম পাংথোক্তুনা লাক্লি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা মীওই অহুম নৌনা লেপ্রোসিগী রিপোর্ট লৈ হায়খি।

ত্রিপুরাগী মীখল রেল্লিদা শরুক য়াখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ১৬ তা পাংথোক্কদৌরিবা ত্রিপুরা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলগী রেল্লি ঙসি পাংথোকপদা চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন শরুক য়াখ্রে। লাক্লিবা ত্রিপুরাগী ষ্টেট এসেমব্লি মীখল অসিদা ত্রিপুরাগী চিফ মিনিষ্টর ডাঃ মানিক সাহ বি জে পি গী মীরেপ ওইনা ঙসি মরি লৈনবা রিটর্নিং ওফিসারদা মীরেপ চে পীশিনখ্রে। মীরেপ চে পিশিনবা অদুদা মনিপুরগী চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন, অসামগী চিফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিশ্বা, বি জে পি ী নেস্নেল স্পোক্স পার্সন ডাঃ সম্বিৎ পত্রসু শরুক য়াখি হায়রি।

ফেব্রুৱারি ১৬ তা পাংথোক্কদৌরিবা ত্রিপুরা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলগী মীরেপ চে পিশিনবগী অরোইবা নুমিৎ ঙসিনি। ত্রিপুরাগী চিফ মিনিষ্টর ডাঃ মানিক সাহ ত্রিপুরাগী বোরোদোৱালি এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পি গী মীরেপ ওইনা মীরেপ চে পিশিনখিবনি। মীরেপ চে পিশিনবগা লোইননা লুচিংবশিং অসি য়াওনা পাংথোকপা বি জে পি গী মীখলগী রেল্লিদা চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না শরুক য়াখি। ত্রিপুরা ষ্টেট এসেমব্লি মীখল অসিদা বি জে পি না য়াম্না চাওনা মায়পাক্কনি। হায়না চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না সোসিয়েল মেদিয়াদা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি।

লোইননা চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না আগরটলাদা লৈবা মনিপুরী কলচরেল সেন্টরদা চত্তুনা য়েংশিনখি। কলচরেল সেন্টর অদুদা থুংলবগা ত্রিপুরাদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা মনিপুরীশিংগা ৱারি ৱাতাই শান্নখি। ত্রিপুরাগী ইবুধৌ পুথিবা খুভমদা চত্তুনা খুরুমখি হায়রি।

ফাইব জি সার্ভিস হৌখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ জিও গী ত্রু ফাইব জি সার্ভিস ঙসিদগী নোর্থ ইষ্ট সার্কল ষ্টেট ৬ কী সিতি ৭ হায়বদি অরুনাচল প্রদেশকী ইটানগর, মনিপুরগী ইম্ফাল, মেঘলয়াগী শিল্লোং, মীজোরামগী আইজোল, নাগালেন্দগী কোহিমা অমদি দিমাপুর, ত্রিপুরাগী অগরটালাদা হৌনবি মতুং ইন্না ঙসিদগী লোপ্ঞ তৌখ্রে। মীয়ামদা জিও গী ত্রু ফাইব জি সার্ভিস ফংহনবা হৌখ্রে।

ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা জিও সেন্টর ওফিসতা পাংথোকপা জিও গী ত্রু ফাইব জি সার্ভিস হৌদোকপগী থৌরম অদুদা জিওগী ৱাঙাংলোইনা ফোংদোকখিবদা ঙসিদগী জিওগী ত্রু ফাইব জি সার্ভিস অসি নোর্থ ইষ্ট সার্কল ৬ তা হৌদোকপনি। চৎলিবা কুমজা ২০২৩ গী দিসেম্বর থা ফাওবদা নোর্থ ইষ্টর্নগী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা তাউন অমসুং খুঙ্গং খুদিংমক্তা জিও গী ত্রু ফাইব জি সার্ভিস অসি ফংহনগনি। সার্ভিস অসিনা অনা লায়েংবা অমদি খুদোংথিরবা মতমদা হিরম কয়ামরুমদা কান্নবা ফংহল্লগনি হায়নসু ৱাঙাংলোই অদুনা ফোংদোকখি।

মরিং কাংলুপনা য়াওশিন্দবা অসি থাগৎনিংঙাইনি — রামেশ্বর

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ মনিপুরগী চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংবা মনিপুর লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা ৱার ওন দ্রগকী মায়োক্তা পোপি পাম্বী থাবা অমদি দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবদা মরিং কাংলুপনা য়াওশিন্দবা হায়বসি লৈঙাক্কী খোঙথাংবু শৌগৎপনি। মসিগী দমক মরিং কাংলুপ অসি থাগৎনিংঙাইনি হায়না কৈরাও কেন্দ্রগী এম এল এ এল রামেশ্বরনা ফোংদোকখ্রে। ৱাফম অসি ওল মরিং স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এ এম এস এ) না চহি অনি অনি খুদিংগী ওইবা পাংথোকপা এ এম এস এ স্পোর্টস মিট ঙসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী লাইচিং কাংশঙ খুলদা লৈবা এ এম এস এ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা মনিপুর লৈঙাক্কী প্লান্নিং এন্দ দেবলপমেন্ট ওথোরিতিগী চিয়ারমেনসু ওইরিবা এম এল এ রামেশ্বরনা ফোংদোকখিবনি।

মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা খুন্দারিবা মরিং কাংলুপকী তিম ৩৫ না শরুক য়াদুনা চথগদৌরিবা ৭ শুবা এ এম এস এ স্পোর্টস মিট ২০২৩ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এম এল এ রামেশ্বরনা মখা তানা হায়খিবদা মনিপুরগা ম্যান্মার অনিগী ঙমখৈদা লৈরিবা মপুং ওইনা মরিং কাংলুপ অসি ঙসি ফাওবদা পোপি পাম্বী থাবদা অমদি দ্রগ পুথোক পুশিন তৌদুনা লল্লোন ইতিক তৌবগী থবক্কী পাউ অমত্তা তাদ্রি। মসিনা তাকপদি মরিং কাংলুপ অসি মখোয়দা ফত্তবা থবক তৌগে হায়বগী ফত্তবা ৱাখল চেন্দবা, কাংলুপ অমনি হায়বদু তাকচরে। মসিগীদমক মনিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মরিং কাংলুপ্পু থাগৎলি। মতুং তারকপদসু ফত্তবা থবক অসিদা য়াওশিনবিগনু হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা মরিং কাংলুপনা খুন্দারিবা মফমশিং অসি মমাং থক্তগী চাওখৎ থৌরাংগী শেমগৎ শাগৎপগী থবক অসি ইৱাৎ ৱাৎপগুম্না থেংনৈ। ঙসিগী চীং তম নুংশিন্নবা, পুন্না চাওখৎমিন্নবগী ৱাখলনা মাংদা থমদুনা কন্না হোৎনদুনা লাকখিবা বি জে পি গী লৈঙাক অমা লৈরবনিনা, মসিগী মথক্তা তেংনৌপল কেন্দ্রগী এম এল এ অসিসু মনিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর অমা ওইরবনি। লৈঙাক অসিগী লুচিংবা চিফ মিনিষ্টরনা মরিং কাংলুপকী মফম চাবা থৌরম অমদা শরুক য়ানবা ঐখোয় মশেল নুংশিনবা পুরক্লবা অমদি মরিং কাংলুপ্না থেংনরিবা অৱাৎ অপা কয়ামুক অদু শেমজিন শাজিনবিনবা হায়জসি। মসিদা চিফ মিনিষ্টরনা তাবিদুনা শোয়না য়ারক্কনি। হায়জরুদ্রবদি শেম শাবগী থবক অসি অদুম্মক ফরিবোই নিংদুনা থবক ওইনা পায়খৎলক্তবা য়াই। মরম অদুনা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম অদু মতম চানা লৈঙাক্তা খংহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা নাৎকী ওইবা জগোয় ঈশৈনচিংবসু পাংথোকখি। ৭ শুবা এ এম এস এ স্পোর্টস মিট ২০২৩ অসি মথং থাগী লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ৯ ফাওবা চথগনি। মসিদা নুপাগী ফুটবোল অমসুং বোল্লিবোল, নুপীগীনা বোল্লিবোল চাংদম্নগনি।

সঙ্গাইয়ুমফমদা
এন্টি লেপ্রোসি
হৌদোক্তুনা
মহাত্মা গান্ধিগী
ফোতোদা লৈশু
কৎখিবা

SIT IN PROTEST

লৈঙাক্লা য়ু
লিগেলাইজ তৌনবা
লৌখিবা ৱারেপ
হন্দোকউ হায়দুনা
কাদানা নুপী
লুপশিংগা খুৎশম্নদুনা
ৱাকৎ মীফম
ফমখিবা

হৈরোক বি সি সি না
শিন্দুনা ভারত
জোরো যাত্রা
লোইশিনবগী মচু
অহুমগী ফিরাল
চিংখৎখিবা